হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেল, এপ্রিল ৩০, ২০২০, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ৩৬শুবা মশীং

# কোভিদ-১৯ অমসুং কাঙলূপকী ৱাফম

## মিদিয়াদা কাঙলূপ নাইবা ৱাফম শন্দোকপগী মরাল শীনরকপা

কোভিদ-১৯গী লাইচৎকা মরী লৈননা কাঙলূপকী ওইবা ৱাফম পুশিল্লকপগী মওং অমা উবা ফংলি। য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা নুমিৎ খুদিংগী মীয়ামদা পীবা ৱারোল অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কোভিদ-১৯গী খুদোংচাবা লৌরগা কাঙলূপ নাইবা ৱাফম শন্দোক্লে হায়না মরাল শীনরক্লি। প্রিন্ট অমদি ইলেক্ত্রোনিক মিদিয়ানফাওবা লায়না-লাইচৎ অসিগী মতাংদা কাঙলূপ নাইবা পাউজেল শন্দোক্লে হায়না মরাল শীনরকপসু য়াওরি। দিল্লিগী নিজামুদ্দিনদা পাঙথোকপা টাব্লিঘি জমাটনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসকী কেস মশীং কা হেন্না য়ামখৎলকপনি হায়বা ৱাহৌদগী ৱাফম অসি থোরকপনি। য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি লভ অগরৱাল অমদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ফাওবা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসিগী মতাংদা কাঙলূপ নাইবা ৱাফম শন্দোকই হায়না মায়কৈ কয়াদগী মরাল শীনরক্লি। তৌবগীবুদি য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা নুমিৎ খুদিংগী মীয়ামদা পীবা ৱারোলগী শরুক অমা ওইনা হন্দক্তা হায়খিবনি মদুদি করিগুম্বা দিল্লিগী নিজামুদ্দিন মর্কজদা টাব্লিঘি জমাটকী থৌরম পাঙথোক্লমদবা তারবদি ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসকী কেস মশীং কা হেন্না য়াম্লমদবা য়াই। জোইন্ট সেক্রেটরি (হেল্থ) লভ অগরৱালনা হায়খি, ইন্দিয়াদা টাব্লিঘি জমাটনা মরম ওইরগা নুমিৎ ৪.১গী মনুংদা কোরোনাভাইরসকী কেস শরুক অনী হেনগৎহল্লকখি। করিগুম্বা নিজামুদ্দিন মর্কজগী থৌরম অদু পাঙথোক্লমদবা তারবদি লায়না-লাইচৎ অসিগী কেস মশীং কা হেন্না য়াম্লম্লোইদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। কাঙলূপ কয়া পূন্না খুন্দামিন্নরিবা লৈবাক অসিদা ৱাথোক অমা থোরকপা মতমদা কাঙলূপকী ওইবা ৱাফম পুশিল্লকপগী মওং অমা উবা ফংদুনা লাক্লি। হৌজিকসু অদু মঙায়রে লায়েংনবগী পান্থে লৈত্রিবা অমদি করম্বা মতমদা লাকশিনবা ঙমগদগে হায়বা চপ চানা খঙদ্রিবা লায়না-লাইচৎ অসিগী মতাংদা কাঙলূপকী ওইবা ৱাফম পুশিল্লক্লিবসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি।

অমুক্কা হেন্না লাইবক থীবদি অহিং-নুংথিল নাইদনা মীয়ামদা অচুম্বা পাউ ফংহন্নবগী থৌদাং লৌরিবা মিদিয়াদা ফাওবা কাঙলূপ নাইবা পাউজেল শন্দোকই হায়বা মরাল শীরকপগী ফীভম লাক্লিবসিনি। করিগুম্বা মখলগী থৌদোক অমা থোরকপদা মিদিয়ানা থৌদোক অদুগী অচুম্বা পাউদম মীয়ামদা তমদুনা লাক্লি। লৈঙাক্না পীরকপা পাউজেল অমা মীয়ামদা য়ৌহনবা হায়বসিসু মিদিয়াগী থৌদাংনি। ফনা য়াম্না লুবা তানফম মায়োক্নরবসু ঙসি ফাওবা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ত্রোনিক মিদিয়ানা মীয়ামদা অচুম্বা ঈ-পাউ ফংহনবগী থৌদাং লৌদুনা লাক্লি হায়বা য়াই। হৌজিক-হৌজিকমকসু খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ মরক্তা কনামত্তনা শীংথানবিদ্রবা পাউমীশিংনা মীয়ামদা অচুম্বা ঈ-পাউ ফংহনবগী থৌদাং লৌরি। মসিমক্না পাউমী খুদিংমক পুকচেল শেংই হায়না লৌবা য়াদ্রগসু মিদিয়া হাওস পূম্নমক মশা-মশাগী ইথিক্স ঙাক্না মথৌ পাঙথোক্লি হায়না লৌবদা লানগদবা মান্দে। অখন্নবা লাইনীং চৎপা মীওই কাঙলূপ অমবু তুহৎলগে খন্না ঈ-পাউ ফোঙবা পাউচে লৈরমগনি হায়বা থাজদে। মদুমক্না হীরম অসিদা সুপ্রিম কোর্টনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলক্তবনি হায়বা য়াই। মিদিয়াবু কাঙলূপ নাইবা পাউজেল শন্দোকই হায়না মরাল শীরদুনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপীনবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা ফাইল তৌরকপদা সুপ্রিম কোর্টনা মিদিয়াগী নীংতম্বদা খূৎ থিংজিনফম থোক্তে হায়না ফোঙদোকখি। কাঙলূপ নাইবা পাউজেল শন্দোকপা মিদিয়াগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়না ফাইল তৌরকপা পি আই এল অমগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস এস এ বোবদেনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি, মিদিয়ানা মনীং তম্না অচুম্বা ঈ-পাউ ফোঙবদা খূৎ থিংজিনবা চুমদে। মিদিয়া হাওস অমনা অচুম্বা নৎত্রগা অরানবা পাউ ফোঙবগী মতাংদা লৌখৎফম থোকপা এক্সন পূম্নমক প্রেস কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (পি সী আই) না লৌখৎচগদবনি হায়নসু সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখি। এক্সনলৌবা-লৌদবগী ৱাফম তোঙান্না থমখ্রগা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স অমসুং য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা মতম-মতমগী ওইনা লাউথোরকপা ৱাফম মীয়ামদা য়ৌহনবগী থৌদাং লৌরিবা মিদিয়াদা কাঙলূপ নাইবা পাউজেল শন্দোকই হায়না মরাল শীনরক্লিবসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি হায়না লৌফম থোকই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### তশেংনা ফংফম থোকপা মীওইদা লৈঙাক্কী মতেংশিং ফংহনবিয়ু

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

মালেমগী লৈবাক কয়াদা য়াম্না তমথীবা মওংদা হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯না অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। অমেরিকা, স্পেন অমসুং ইটলিদা কা হেন্না অশি-অনা থোকহন্দুনা অমাঙ-অতা কয়া থোকহল্লি। ইন্দিয়াগী ওইনসু হৌজিক লায়না অসিনা নাবা মীওইগী মশীংসু লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপনা অরুবা তানফম অমদা লাক্লে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অদুবু মণিপুর ষ্টেটকী ওইনদি লৈঙাক্না অমদি পূম্নমক্না কন্না হোৎনবিবদগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ লৈতবা ষ্টেট অমা হায়বদু ওইরে। অদুবু লোকদাউননা মরম ওইদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা লৈত-লায়রবা মীওই কয়াদি অৱাবনা খম থেংলে। লৈঙাক্না অমদি সোসল ওর্গনাইজেসন কয়ানা চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়েনবিরিবা অসিনা য়াম্নদি মতেং ওইরি। অদুবু মদুনা নুমীৎ কয়ানি চৎনবা ঙমগনি হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমা ওইদবা নত্তে। মরম অদুনা তুং কোয়না চৎপা ঙমগদবা পোলিসি অমা য়াৎপিদুনা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। পুক হায়বসিদি চাউরবা সমুদ্র অমগুম্বনি। মরম অদুনা লৈঙাক্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টদগী মতেং পীরকপা খক ঙাইবগী মহুৎতা লমদম অসিদা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনবগী মথৌ তাই। লৈবাক্কী মপি-মপা ওইরিবশিংনা পুকচেল শেংনা থবক তৌবিরবদি মখা তাবা মীচম মীয়াম অয়াম্বদি মতুং ইন্না চৎনরক্কনি হায়বসি হন্দক কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী লৈঙাক্না পায়খৎখিবা চেকশিন থৌরাংশিং অদুদা য়াম্না ময়েক শেংনা তাই। হোয়, কনাগুম্বা লমহেনবা মীওই খরদি য়াওরম্বা য়াই। অদুবু মদুদি য়াম্না লায়না লৈঙাক্না কন্ট্রোল তৌবা ঙমখি। মরম অদুনা লৈঙাক্না অফবা স্কিম কয়া ফংফম থোকপা মীচম মীয়ামদা ফংহনবিরবদি শোয়দনা লমদম অসি চাওখৎপা লমদম অমা ওইগনি। হৌজিক ইনখৎলক্লিবা মীরোলশিংনা থবক শূবদা চিলহাও থিনরক্তবা অসিদা লৈঙাক্না থৌনা হাপ্লিবা মথৌ তাই।

*অদোমগী - নোংথোংবম বিরেন*

*নোঙ্গ্রেন মখা লৈকায়*

# সত্য-ত্রেতা-দ্বাপুর-কলি যুগ - ২

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

মমাঙগী শগোলশেনগী মসিগী কাখল (কোল্লম) অসিদা ইজখিবা ৱারেং অদুদা ‘কলি যুগ লোইখরে ... অনীশুবা দ্বাপুর যুগসু লোইগদবা চহী ৭০ খক্তা ঙাইশিল্লক্লে’ হায়বা পরেং অমখক য়াওখিবদুদা নক্নবা মরুপ-মপাংশিংনা তেলিফোন্দা অমসুং উনবদা হায়রকখি - করম্বা অমদি কয়ামুক য়াম্না ওথেন্তিক ওইবা, পাউগী য়ূম্ফম (লাইরিক্নচিংবা) অমদগী লৌথোক্তুনা হায়রুরিবনো? পংহায় হায়বনা য়ারোই, হায়রিবদুগী অচুম্বা উত্তুনা তাক্নদবনি।

অচুম অরান চপ চানা উৎপা ঙম্বা, ‘হায়রিবসিনা অচুম্বনি’ হায়বদা মীনা লৌগদবা অদুগুম্না খঙ-হৈরবা (স্কোলার) অমসু নত্তে ঐ। পারুবদা থেংনরকপা, ঐগী ন্যুরোন সেলশিংদা তূংশিলহৌবা মেমোরি অমদি বেদ-বেদান্তগী সাইন্টিফিক রিলেভেন্স নৈনবা লাইরিক খরদা য়ূম্ফম ওইদুনা ইথোকচবনি। পাক-চাউরবা হীরম অমনি, ৱাহৈ চামঙা-চাতরুকখক্কী মতেংনা মরীক চুম্না ফোঙদোকপা ওইথোক্তে। মপোকসিমা পারু-নৈনরুর’সু মফোল অমখক্কী চাংদুদই হেন্না খঙবা ঙম্লররোইদবা, অদুক্কী মতিক চাউখ্রবা হীরম অমনি। মমাঙগী ৱারেং অদুদা য়েক্তুনা উৎচখিবা, সোলর সিষ্টেম অসিনা সুপর সন অমগী অকোয়বদা য়েরূমগী মওং মানবা অকোয়বা লম্বী (ইল্লিপ্টিকল ওর্বিৎ) অমদা উংদুনা চৎলি হায়বসিমদি হায়-স্কুল তল্লিঙৈ জিওগ্রাফিগী ওজানা তাকখিবদু মমি-শামি নীংশিংলি। অদুগুম্বা ওর্বিৎ (লম্বী) দুদা অমুক্তং কোয়না চৎপা মপূং ফাবা খোঙচৎ অদু চহী কয়া চঙবগে? নোংমতসু থিজিল্লুদে। খনখি - থিরুবগী কান্নবসু লৈতে। থিগে খন্না থিজিল্লুবা নত্তবা, কান্নবা/কান্নদবা থিদনা পূক্নিং শান্তি ফংনবা অফং-অফংবা পারুবদা থেংনরকপনি - খোঙচৎ অদু, ঙসিগী সাইন্টিফিক রিছার্স কয়াগী মতুংদা য়ানরবা চহী (নুমিৎ ৩৬৫) অসোমদা পারগা চহী ২৫,৯২০ চঙই। খোঙচত্তুগী অহৌবা ওইখিবা মফমদুদগী তঙ্খায় ওইখিবা পোইন্ট অদু য়ৌবা ফাওবদা চঙবা চহী ১২,৯৬০নি। সোলর সিষ্টেম অসিনা ‘সুপর সন’গা খ্বাইদগী নক্না লৈরিঙৈ মতম অদুনি ‘সত্য যুগ’ - খ্বাইদই ফবা, খ্বাইদই নুংঙাইবা তাঙ্কক - গোল্ডন এজ! খন্নে - মতমদুদদি মীওইবা নুংশি-চাউবা, থৌজাল হৈবমক্তা ওইরম্মী, মীহাৎ-মীপূন, খৎন-চৈন’ তৌরমদে। কাঙলূপ-কাঙলূপ খায়দুনা, ঐগী-মীগী য়েংদুনা য়েংথীনবা তৌরমদে। লৌউ-শিংউ খঙলমদে, মহৌশানা পীবা উহৈ-ৱাহৈ চাদুনা, লায়না-তীলনা চঙদনা মশা ফনা লৈরম্মী। মহীক মতায় চেন্দবনা পুন্সি শাংনা হিংলম্মী। হৌফম-পোইন্ট অদুদগী লাপথোকখিবা খোঙচৎ অদুগী অহানবা চহী ৫১৮৪ অদু, সত্য-যুগকী অহানবা তাঙ্ককনি। বিষ্ণুগী অবতার তরাদুগী অহানবা অবতার অহুম (মতশ্য, কুর্মা অমসুং বরাহ) অমদি মরিশুবা অবতার ‘নরসিমহ’ - তাঙ্ককসিগী মনুং চল্লি।




লাপথোকখিবা খোঙচৎসিগী অনীশুবা তাঙ্কক, চহী ৩৮৮৮গী খোঙচৎনি। সত্য যুগকী লোইশিল্লকপা শরুক্তগী মরায় চায়থরকপা হৌখিবা মীওইবা খুন্নাই অনীশুবা যুগ, ত্রেতা (অহুমশুবা) হায়না মিংথোনব’সিদদি মীওইবা, অচুম অরানগী ৱাখল তুংওইনরক্লে, অকনবা-অথৌবা-অচৌবা নিংথৌরেল থোক্লক্তুনা মালেমবু খুদুম চনবগী ৱাখল লাক্লে, অমনা অমবু খুদুম চন্নবা লান তোয়না তৌনরক্লে, লৌউ-শিংউ-লৈনুংগী খোনি মশক খঙলক্লে, পাপিশিংসু থোক্লক্লে। মতম (যুগ) সিগী অবতার অহুমনি - বামন, পর্শুরাম অমসুং রাম।

অহুমশুবা যুগ, মিংদনা অনীশুবা (দুৱা-পর), লাপথোকখিবা খোঙচৎসিগী চহী ২৫৯২গী মতমনি। মতমসিদদি মীওইবা, মশা-মশাগী ইন্দিভিজ্যুঅল ক্বালিটি (মতিক মঙম) না মশক লেপ্পা হৌরক্লে, লায়না-তীলনা পাক্না শন্না নারক্লে, নিংথৌ মশেল লান্দানবই মথক্তা মী অমগা অমগসু খৎন-চৈনা-পাঙ্গল-চাংয়েংনবা-হাত্তোক্নবা হৌরক্লে। লীরূং অমসুং তেন পায়বা রামগী মহুত্তা লাঙ্গোন পায়বা ‘বলরাম’ (লৌউ-শিংউ রিপ্রজেন্ট তৌবা) অমসুং খূৎলায় পূম্নমকপু মাঙহনবা ঙম্বা ‘চক্র-নীংলকপা মতমদা খুদোম্বীদা উংহনবা ঙম্বা ‘শ্রীকৃষ্ণ’ - মতম (যুগ) সিগী শায়োন্নি। কল্লক-খম্বন, ঐগী-মীগী নাইবা ৱাখলগী পন্দোল লোন্লকপা, লম-মচেৎ অমগী ৱাহৌদা থোকখিবা, কুরুক্ষেত্রগী ‘মহাভারত’ লাঞ্জাওগী মতুং, কৃষ্ণ থুপখিবদগী (৩১০২ বি সী) দ্বাপুর যুগ লোইশিনখি।

শ্রীকৃষ্ণ হেক শিরবা মতুং, মরিশুবা অমসুং অরোইবা যুগ ‘কলি যুগ’ কী অহৌবা ওইখি - কম্মন ওইনা থাজনরকপা অদুনি। লাপথোকখিবা খোঙচৎকী পনখৈ (পোইন্ট) অদু য়ৌবফাওবগী চহী ১২৯৬, পনখৈ অদুদগী অমুক হল্লকপগী খোঙচৎ’তুগী চহী ১২৯৬ অমগা পূন্না চহী ২৫৯২না, অপূনবা কলি যুগকী মতমনি। মতম-তাংকক অসিবু ‘অমম্বা যুগ’ হায়নসু কৌনৈ কনাগুম্বনা। ধর্ম্ম মশক খঙদবা, অচুম্বা মশক মাঙখ্রবা, চারম-থক্লম খঙদ্রবা, লায়না-তীলনানা থল্লবা, মী নৎত্রগা মীওইবই খুন্নাই ... কলি যুগ মশক তাক্নবা ৱাহৈ ময়ামনি।

ইজরিবা ৱারেংসিগী ৱাহৌ (সোর্স) ওইরিবা ৱাখুনসিগী মতুংইন্না - কৃষ্ণনা তাইবঙপান থাদোকখিবা চহী খৃ: মমাঙ ৩১০২গী থাবুম অমগী মতুংদগী হৌখ্রবা কলি যুগকী মতম চহী (১২৯৬+১২৯৬) ২৫৯২ খক্তনি। হৌজিক খৃ: তুং ২০২০ শুবা চহীনি। হায়বদি কৃষ্ণ শিখিবা চহী ৫১২২ শুরে (৩১০২+২০২০)। অমরোমদা হায়রগা কলি যুগ লোইখিবসি খৃ: মমাঙ ৫১০শুবা চহীদনি (৩১০২-২৫৯২), দ্বাপুর যুগতা চঙশিল্লকপা চহী ২৫৩০ (২০২০+৫১০) শুখরে। দ্বাপুর যুগ লোইগদবা চহী ৬২ খক্তা ঙাইরে, ২০৮২দা লোইগনি, ২০৮৩দগী অনীশুবা ত্রেতা যুগ হৌরগনি।

’সিনা থিওরি অমনি। মসিগা পুমওন ওন্নবা, সাইন্টিফিক ওইবা ৱাফমশিংদগী লাপ্না, অরিবা লাইরিক (পুরান) শিংদা ইরম্বা ৱারোলশিংদা য়ূম্ফম ওইবা, যুগ মরিগী অপূনবা (মহা-যুগ) কী মতমসি চহী ৪৩,২০,০০০নি হায়বা ৱাফম অমসু লৈ। ৱাফমসিগী মতুংইন্না সত্য যুগকী মতম, চহী ১৭,২৪,০০০ ওইরম্মী। মতমদুগী মীওইবা ফুট ৩০ ইঞ্চি ৬ লোম ৱাংই, চাংচত্তা মী অমনা চহী ১,০০,০০০ রোম পুন্সিরম্মী। ত্রেতা যুগকী অপূনবা চহী ১২,৯৬,০০০নি। মীওইবগী অৱাংবা ফুট ২২ ইঞ্চি ৪দা হন্থরক্লে, পুন্সিবগী চাংসু মী অমগী চাংচৎ চহী ১০,০০০ ওইরক্লে। দ্বাপুর যুগকী চহী ৮,৬৪,০০০, মী অমগী অৱাংবা ফুট ১১ ইঞ্চি ২, পুন্সিগী মতম’না চহী ১০০০। কলি যুগ, চহী ৪,৩২,০০০ না শাগনি ফুট ৫ ইঞ্চি ৩-৬ ৱাংবা মীওইবা, চহী ১০০দগী হেন্না পুন্সিররোই... অসিনচিংবসিনা মরু ওইবা ৱারোলনি মমাঙঙৈগী বেদ-পুরানশিংদা ইরল্লিবা। থাজবা/থাজদবগী ৱাফমদুনা তারিবা/পারিবা মীদুগী পূক্নিংগী থাক্তুগী মখা পোল্লি, মমাঙদা হায়জখিবদুনি। অবতার তরাগী অহানবা অবতার অহুম - ঙা (মৎশ্য/মীন), থেঙ্গু (কুর্মা) অমদি ওক (বরাহ) লোয়ননা নরসিমহ, সত্য যুগকী অবতারশিংগী ৱারী সাইন্টিফিক ওইবা রিজনিং (মরম) থিবা অৱাবগী মশকনি, ফিলোজোফিকেল্লি নৈনগদবনি। বিষ্ণুগী তরাশুবা অবতার - মখূত্তা থাঙশাং পায়বা, অঙৌবা শগোলদা শাদোং ওইবা ‘কালকি অবতার’ - কলি যুগকী অরোইবদা পোক্কনি হায়রম্বদুনা কনানো? ঙসি ফাওবদি শকফোঙলক্ত্রি। ইজখ্রিবা ৱারোলসিগী মতুংইন্না ‘কনা ওইবা য়াই’ লন্নাই নৈনজগদবনি। শ্বামি শ্রী যুক্তেশ্বর, যোগি পরমহঁস যোগানন্দা অমদি সধগুরু জগ্নী বাসুদেবগী মতুংইন্নদি ‘কলি যুগ লোইখিবা কুইরে, অনীরকশুবা দ্বাপুর যুগসু লোইগদবা চহী ৬২ খক্তা ঙাইশিল্লক্লে’।

অতৈ অর্গ্যুমেন্ট পূম্নমক তুংওইনরগা, মখোয়গী ৱা অসি ঐনা শৌগৎনীংলুবগী অতোপ্পা মরম অমদি ... সেল্লেননা (পৈরপ্না) লৈরিবা পৃথিবী (মালেম/অর্থ) অসিনা উরু-উরু লৈরিবা এক্সিস (ৱাখলনা শাগৎপা মচৈ) অসি, মশাগী গ্রেভিটেসনেল পুলগী শাফুদনা চিংদুনা, এক্সিসতুগী মতোন অদুসু তপ্না তপ্না পোজিসন হোংলক্তুনা কৌরক কোয়বা সর্কল অমা শেন্নকই, অসিগুম্বা মপূং ফাবা সর্কল অমা ওইনবা পৃথিবীনা উংলকপা মতম অদুসু পূন্না চহী ২৫,৯২০ চঙই হায়বা সাইন্টিফিক দিস্কোভরি অদু তারুবা/পারুবা অদুদগীনি। য়েক্লিবা দাইগ্রাম অসি য়েংবীয়ু। অচুম-অরানদি ইশাগী ৱাখলদুনা লেপ্নসি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১১৪

**উসম ধনঞ্জয়**

**ওক্টোবর ১২, ২০০৯ :** পুলিসনা পাউমীশিংদা য়েংলিবা মীৎয়েংগী মতাংদা হয়েং তাং ১৩গী অয়ূক পুং ১০.৩০ তাবদা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন্না মীফম ফমদুনা পাঙথোক্কদৌরি। মসিগীদমক হয়েং পাউমীশিং শিন্থা লেপকদবনা মথংগী নুমিৎ তাং ১৪দা অয়ূক্তা ফোঙবা পাউচেশিং পুথোক্নররোই। অদুগা আই এস টি ভি অমসুং নুংথিলগী চেফোঙশিংনা হয়েং তাং ১৩দা লেপকনি হায়না য়ুনিয়ন অসিগী প্রেসতা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লি।

পাউগা মরী লৈনবা খুদিংমক্না মীফম অসি শরুক য়ানবগীদমক মতম নংনবা লাক্নবসু চেরোল অসিনা খঙহল্লি। অমরোমদা য়ুনিয়ন অসিগী ৱাঙাঙলোয় ওইনা সনা লৈবাক পাউচেগী এদিটর এ মোবীবু হাপখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ওক্টোবর ১০গী নুমিদাংদা পাউমী অনীদা পুলিস কম্মান্দোনা তাথী-তাওইনা তৌরকখিবা অদুবু ইমেজ টি ভি, ককচীংনা কন্দেম তৌরকপগা লোয়ননা অমজুগী ফিরেপ অসিদা শরুক য়াগনি হায়না ইমেজ টি ভিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থা অসিগী ১০গী নুমিদাংদা বি টি রোদকী পাওনা বজার মচিন্দা কম্মান্দো খরনা পাউচেশিংগী রিপোর্টর অনীদা তাথী-তাওইনা তৌখিবা অমদি ইকায়বা পীবদা নত্তনা নোংমৈনা কাপকে তৌখিবা কম্মান্দোগী থৌদৌ অদু এম পি পিনা কন্দেম তৌই হায়না ফোঙদোরক্লি।

পার্টি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি (মিদিয়া) ৱাই মঙ্গিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মিদিয়া হায়বসি দেমোক্রেসিগী মরিশুবা য়ূম্বীনি হায়না লুনা লৌনরিবনি। রিপোর্টরশিংনা অহিং নুংথিল নাইদনা লৈবাক্কী থৌগল তৌবদা নমথনবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মিদিয়াবু তাথী-তাওইনা তৌবা অসি দোমোক্রেসিবু খোঙ্গোইনবনি। অসিগুম্বা থবক অসি মতুংদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

হন্দক্কী অসিনা অসিগুম্বা থৌদোক্কী অহানবা নত্তে হায়রদুনা তৌরোইদবা থবকশিং তোয়না থোক্লক্লিবা অসি লৈঙাক অসিনা পুলিস দিপার্টমেন্টপু নীংথিনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রে হায়বনি। মরম অদুনা মতম চানা অসিগুম্বা কয়া অসি থোক্তনবা য়েংশিলহৌবা দরকার ওই হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

**ওক্টোবর ১২, ২০০৯ :** লৌমী লূপ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কনফরেন্স অমা বিষ্ণুপুর খা জুনিয়র হায় স্কুলদা পাঙথোক্তুনা হৌজিক লাইরিক তম্বা লেপ্পগী চথুরিবা খোঙজং অসি অথুবা মতমদা লৈঙাক্না য়ানবা পুরক্তুনা মহৈরোয়শিং মহৈ তম্বা ফংহন্নবা মীৎয়েং চঙশিনখ্রে হায়না লৌমী লূপ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী মহৈরোয় লূপ অহুম্না জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ থৌদোক্কা মরী লৈননা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা স্কুল-কোলেজগী মহৈরোয়শিং লাইরিক তম্বা থিংজিনখিবগী মতাংদা ঙসি খাঙবোক্কী ন্যু বজারদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মহৈরোয়শিংগী গার্জিয়ানশিংগী ওইবা মীফম অমা নুংথিল পুং ২ তাবদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী মীফম অদুদা তিনখিবা গার্জিয়ানশিংনা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মীচম মীয়াম্না অমদি মহৈরোয়শিংগী গার্জিয়ানশিংনা মহৈ তম্বদা থিংজিল্লিবা লূপশিংদা তংদু লৈতানা মহৈরোয়শিংদা মহৈ তম্বা ফংহনবীয়ু হায়না আপিল তৌবা অমদি হৌজিক হৌজিক থল্লিবা অথিংবা অসি খোঙজং চংশিল্লিবা মহৈরোয় লূপ অমসুং লৈঙাক্কী মরক্তা য়াশিন্নবা অমা পুরক্তুনা তংদু লৈতানা মহৈরোয়শিংবু মহৈ তম্বা ফংনবা য়ানবা পুরকউ হায়না আপিল তৌবা হায়বা ৱারেপশিং লেপ্নখি।

**ওক্টোবর ১৪, ২০০৯ :** হৌখিবা তাং ১০গী নুমিদাং পুং ১০ রোম তাবদা ইম্ফালগী বি টি রোদতা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দো টিম অমনা পাউমী অনীদা তাথী-তাওইনা তৌখিবা অদুগী মতাংদা ঙরাং ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন্না পাউমীশিং শিন্থা লেপ্তুনা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্নখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ৱারেপশিং লৌখ্রে।

য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট, এস হেমন্ত অমসুং য়ূমশকৈশা পাউচেগী এদিটর, গোকুলানন্দ শর্ম্মনা পূন্না সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা অমজুগী স্পেসল জেনরেল বোদি মীটিং অদুনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা অমজুনা তাল্লিবা দাবীশিং ফংদ্রিফাওবা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা লুচিংবা লৈঙাক অসি মখা তানা বোইকোট তৌনবা ৱারেপ লৌখি।

থৌদোক অদুদা কম্মান্দো টিম অদুনা পাউমী অনীদা নোংমৈ কট তৌদুনা কিহনবগী মথক্তা ‘নোংমৈনা কাপথোকউরা অদুগা এনকাউন্টরদা শিবনি হায়বদা কনানা খঙদোইনো’ হায়খিবা ৱাফম কুপশিল্লগা পাউমী অনীদা অরানবা চার্জ তৌরকপগীদমক পুলিস ইষ্টাব্লিশমেন্টকী চেন ওফ কম্মান্দদা লৈরিবা ওফিসর খুদিংমক শিন্দোকহনবা হায়বা ৱারেপসু লৌখি।

অহুমশুবা ৱারেপ ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী স্পোক্সপর্সন্না অমজুদা ফোর্মেল ইনভিটেসন অমা পীরক্তুনা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি তাইশিন্ননবা থৌরাং তৌরিঙৈ চৈরক্তা সেনিয়র এস পি ইম্ফাল ৱেষ্টনা তৌরকখিবা অরানবা চার্জ কয়া য়াওবা চেরোল অমা থোক্তুনা অপনবা ওইহনবনা মহাক্না থোকখিবা চেরোল অদু ৱিথদ্রো তৌহনবা অমদি তাং ১০গী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ভিজিবল এক্সন উদ্রিফাওবা লৈঙাক্না ৱারী শানদবা হায়না য়ানখি। অমরোমদা ঙরাংগী মীফম অদুনা তাং ১০গী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনা মীয়ামদা পাউ পীবদা বেলেন্স ওইদবগীদমক এ আই আর ইম্ফাল রিজনেল ন্যুজ য়ুনিটপুসু কন্দেম তৌখি।

**ওক্টোবর ১৪, ২০০৯ :** থা অসিগী নুমিদাংদা পাউমী অনীদা পুলিসনা তাথী-তাওইনা তৌরকপদগী ঙরাং পাউমীশিং শিন্থা লেপখিবগী ৱাফম পাউচে অসিগী এসোসিএট এদিটর বীজয় ককচীংতাবম্না ঙসি হোম মিনিষ্টর, পি চিদম্বরমদা খঙহনবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱাকৎখ্রে।

ঙরাংদগী জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কোনুং ওইরিবা শ্রীনগরগী শের-ই-কাশ্মীর ইন্টরনেসনল কনফরেন্স সেন্টরদা চথুরকখিবা অহুমশুবা ওল ইন্দিয়া এদিটর্স কনফরেন্স ওন সোসল এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী ঙসি লোইশিনবা নুমিত্তা মিদিয়া ইন্টরেক্সনগী খুদোংচাবা লৌরদুনা বীজয় ককচীংতাবম্না ৱাফম অসি হোম মিনিষ্টরদা পুখৎখিবনি। মদুদা হোম মিনিষ্টর, পি চিদম্বরমনা ৱাফম অসি য়েংশিনগনি হায়না পাউখুম পীখি।

বীজয় ককচীংতাবম্না ‘সার ঙরাং ঐহাক্না কনফরেন্স অসিগী পাউ অদু ইদুনা থাখি। অদুবু লাইবক থীবনা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোশিংনা পাউমীশিংদা কা হেনবা নীতি চথুবদগী ষ্টেট অসিদা ফোঙবা পাউচে পূম্নমক থবক লেপ্পনা হাপ্পীরক্ত্রে। হীরম অসিগী মতাংদা য়েংশিনবীয়ু’ হায়না ৱাকৎখি।

**ওক্টোবর ১৪, ২০০৯ :** লমদম অসিদা মীচম মীয়াম ঙাকপী-শেনবীনবা লৈরিবা পুলিস কম্মান্দোশিংনা পাউমীশিংদা ফাওবা ওনশিন্দুনা ফুবা চৈবা অমদি লমন খুম্বগী থৌওং কয়া চথুরক্লিবা অসিনা মণিপুরদা দেমোক্রেসি লৈত্রে হায়বসি নোংমা নোংমগী ময়েক শেংগৎলক্লে হায়না রবিনা অমসুং সঞ্জিৎ মীহাৎকী জে এ সী অনীগী চেরোল অমনা হায়রি।

লৈঙাকসি কায়রমদাইগী অরেং-অরেং পুথবা হৌরক্লে হায়রদুনা চেরোল অসিনা হায়রি, মীওই লাক্ষ ২৫ রোম লৈবা লমদম অসিদা পুলিস কম্মান্দো খুজোক খরনা তৌরিবা থবকশিং অসি থিংবীনবা, ৱারকপীনবা কনামত্তা লৈত্রব্রা? মখোয়না তৌরিমখৈ লমদম অসিগী মীয়াম্না য়ারি হায়রিব্রা?

পি অহুম হায়বদি পব্লিক, প্রেস অমসুং পুলিস অসি য়াম্না নুংশিননা লৈবা চঙই। মরমদি দেমোক্রেসি চৎপা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক অমদা মখোয় অহুমগী অচৌবা রোল অমা লৈ হায়বসি খঙমিন্নবা মথৌ তাই। হন্দক্কী খ্বাইরম্বন্দগী ইস্যু অসিসু মীয়াম তিনবা সরক্তা রবিনা অমদি শঞ্জিৎ হাৎতোকপীখিবা অমসুং মীচম ৫বু শোকহনখিবা, পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুগী অচুম্বা অশেংবা পুথোক্লকপদগী প্রেস/মিদিয়াবু কম্মান্দোনা য়েক্নবা ওইনা খনবদি লানগনি হায়নসু জে এ সীনা হায়রি।

মমাঙদা ফেক এনকাউন্টর কয়া চথুদুনা লাকপগী হৈনবী অদু ঙসিদি মপান থোক্লককপনি হায়বসি পুলিস কম্মান্দোশিংনা খঙজিনবা ফৈ। পুলিস কম্মান্দোশিংনা লমদম অসিগী মীওই খুদিংমক খূৎলায় পায়বা লালহৌবা ওইনা উবদি লানগনি। খুন্নাই অসিদা কম্মান্দোশিংগী ফিদা লৈরক্তবনি হায়বসি খন্থুদুনা থবক তৌবা চুমগনি হায়রি।

কম্মান্দোশিংগী লিচৎনা মরম ওইদুনা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট ৫দা আই আর বি অমদি কম্মান্দো থম্বা য়ারোই হায়দুনা চীংমীগী মীওই কয়ানা য়ানীংদবা খোল্লাউ লাউরকপনি। কম্মান্দোশিংনা ৱাখল তাবা ওইরবদি লমদম অসিদা লৈরিবা আর্মি, অসাম রাইফলস, বি এস এফ অমদি সী আর পি এফ কয়া অসি হলহনখিদুনা থবক ফংদবা লমদম অসিগী নহারোল কয়া ফোর্সতা লৈহন্দুনা থবক ফংদবগী সমস্যা অসি ফনা য়াম্না কোকহনবা য়ারবনি হায়নসু জেএ সীনা হায়রক্লি।

মপান লমগী সেক্যুরিটিশিং অসি হনখিবা তারবদি লমদম অসিদগী আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার এক্টসু মথন্তা লৌথোকখিবা হায়বসি মশানা তাবা ৱাফমনি। আর্মি, রাইফল অমদি পেরামিলিটরি ফোর্সশিং লৈরিমখৈ অফস্পা অসি অসুম লৈবা তাবনি হায়রি। মীয়ামদা লাল্লে হায়না চঙজরবা মতম অদুদতা কম্মান্দোশিংগী মীচং লাক্কনি। মদু নত্তদুনা মীয়াম্বু ওৎ-নৈবা, হাৎপা-তুপ্পা, অহিং নুংথিল খঙদনা ঈ-পাউ লৌবা চৎলিবা পাউমীশিংদা নাতৈ চাদবা থবক কয়া তৌদুনা অমদি পাউমীশিংগী অচেংবা য়েংলগা লমন খুম্বগী থবক কয়া চথুরকপা অসিদি পুকচেল পিকপা, মীনুংশি য়াওদবা, শা ঙাগী লিচৎনি হায়না জে এ সীনা ফোঙদোরক্লি।

হন্দক মরক পুলিসনা প্রেস/মিদিয়াদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। ●